# নেপালদা নোং কন্না চুবদগী ঈচাও, লেন্দস্লাইদ থোক্লে, মীওই ৬৪ শিখ্রে



কথমন্দু, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) ঃ

নেপালদা কুমগী নোং কন্না চুবদগী ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদ কয়া থোক্তুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৬৪ শিখিবগা লোলয়ননা অমাঙ-অতা কয়া থোকখ্রে। মীওই লিশিং কয়া ময়ুম-মকৈশিং থাদোকহনখ্রে।

নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা তুরেলশিংগী ঈশিং চাউখৎলকপদগী লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা য়ুম কয়া অমসুং থোং কয়া চেন্থোকখিবগা লোয়ননা অচৌবা ঈচাও অমা মায়োক্নরকপা য়াবগী অকিবা লাকখ্রে অমসুং লোকেল মীয়াম্বু মীপাইবা পোকহল্লে হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা নেপালগী ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিংদা শিখিবা মীগী মশীং ৬৪ য়ৌখ্রে। ৱেষ্টর্ন নেপালগী পিয়ুথন দিষ্ট্রিক্টতা অশিবা হকচাং ১০ হেন্না থেংনবদগী মশীং অসি য়ৌখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

পিয়ুথন অসি কুমশিগী নোংজু অসিদা খ্বাইদগী ফীভম থীনা শোকপা দিষ্ট্রিক্ট ১৪ গী মনুংদা অমনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ঈচাও অমসুং লেন্দস্লাইদশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৬ শিখ্রে।

লেন্দস্লাইদ অমা থোক্লকপদগী থীবা খঙখিদ্রে হায়না রিপোর্ট তৌখিবা মীওই ১৭ শিরগা লৈরম্বদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা শিবা মীগী মশীং হেনগৎলকখিবনি।

মীওই লিশিং কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোকহনখ্রে অমসুং য়ুম চা কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। শিরিবা মীওইশিংদুগী মনুংদগী মীওই কয়া য়ুহা হাবদা চৈথেং নংখিবশিংনি। মখোয় য়ুহা হাবদা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা য়ুমশিং শেমজিল্লগা লৈখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

মীওই ৯,০০০ লোম মথ্বায় মাঙহনখিবা হৌখিবা চহীগী শাথীরবা য়ুহা হাবা অদুগী মতুংদা নেপালিজ লিশিং কয়া হৌজিকসু টেন্টশিংদা লৈরিবনি।

সপটাকোসি অমসুং নরায়ানি তুরেলশিংগী ঈচেলশিং খুদোংথীবা থাক্কী লেভেলশিংগী ময়া নক্না চেনখি। হৌখিবা নুমিৎ ১০ নিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী সপটাকোসি তুরেলগী ঈচেল কুমশিগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা চেনখ্রে। তুরেল অদুগী ঈচেলদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা কুসেক ২৭৭,৪১০ য়ৌদুনা চহী অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংখি।

ইন্দিয়াগা লোন্নবা গন্দক বেরাজগী ঈশিং থাদোকফম গেট পুম্নমক হাংদোকখ্রে। খোঙথাং অদু নরায়ানি তুরেলগী লেভেল খুদোংথীবগী মার্ক হেনগৎখিবদগী লৌখৎলক্লিবনি।

তুরেল ঈশিং চাউখৎলকপদুনা মরম ওইদুনা নৱালপ্রাসি দিষ্ট্রিক্টতা য়ুম ৩৪ ঈশিং থুমজিনখ্রে। টিনাউ তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা বুটৱাল-১৩ দা লৈবা থোং অহাইবী অমা অমাঙ-অতা থোকখ্রে। মীওই ৬০০০ রোম অরুবা ফীভম মায়োক্নরি।

মেচি তুরেলগী ঈশিংগী ঈমায় পাথোরকপদগী ইন্দিয়াগী নাকল্লোমদা শাবা লৌনম্বাল চেন্থোকখ্রে। থৌদোক অদুগী মতুংদা নাকসলবারি, পানিটাঙ্কি অমসুং অতৈ ইন্দিয়ন মার্কেটশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। ঈচাওনা শোকহল্লবা নেপালগী দিষ্ট্রিক্ট ১৪ দা গভর্ণমেন্টনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী ওপরেসনশিং হৌখ্রে।

# সিরিয়াগী ৱারী শাননবা মোস্কোনা জিনেভাদা এক্সপার্টশিং থারগনি

মোস্কো, দামাসকস, জুলাই ২৮ ঃ

সিরিয়াগী লাঙ্গোই চল্লবা সীটি অলেপ্পোগা মরী লৈনবা ক্রাইসিসকী মতাংদা খন্ননবা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা হায়জবদগী মোস্কোনা জিনেভাদা টোপ জেনরেল অমগা এক্সপার্টশিংগা থারগনি হায়না রশিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গৈ সোইগুনা হায়খ্রে।



রশিয়ন ফোর্সশিং অমসুং সিরিয়ন গভর্ণমেন্টনা অলেপ্পোগী মপান্দা তোংবাংগী পোৎলমশিং পুশিন্নবগী লন্বী খরা হাংলগনি অমসুং সরেন্দর তৌবা পান্থা ফাইটরশিং লন্বী অমা ওফর তৌরগনি হায়না মোস্কোনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা রশিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টরনা ৱাফম অদু লাউথোকখিবনি।

টেলিভিজনদা ৱা ঙাঙখিবা সোইগুনা হায়খি মদুদি, কেরিনা হায়জরকখিবগী পাউখুম ওইনা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা জেনরেল অমা অমসুং এক্সপার্টশিং জিনেভাদা চৎনবা ওর্দর তৌখ্রে।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা রশিয়ন ফোরন মিনিষ্টর সর্গৈ লভরোভনা হায়খি মদুদি, হন্দক্তা য়ু এস অমসুং রশিয়ানা ৱা তানখিবা অদুদা মোদরেট সিরিয়ন ওপোজিসন গ্রুপশিংবু সিরিয়াদা অল-কাইদাগী ব্রাঞ্চনা পায়শিন্দুনা থল্লিবা এরিয়াশিং অদু থাদোক্লবা পূক্নিং থৌগৎকদবনি। মদুনা মফমদুদা ট্রুস অমা ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা মতেং পাংগনি।

মথংগী থা অহুমদা মখোয়গী খুৎলায়শিং থাদোক্তুনা ওথোরিটিশিংদা সরেন্দর তৌবা রেবেলশিংবু ওফিসল ওইনা ঙাকপীগনি হায়না সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাশর অশাদনা লাউথোকখ্রে। মখোয়বু ঙাকপীবগী ওফর অদু শগোলশেন নুমিৎতা ওর্দর অমগী খুথাংদা ইসু তৌখিবনি। ওর্দর অদুনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা খুদিংমক থাদোক্লনবা তকশিনখি। মখোয়না ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীফাশিংবু থাদোক্তুনা থা ১গী মনুংদা চঙজরক্লবদি মখোয়দা পীফম থোকপা চৈরাক অমত্তা পীরোই হায়না প্রসিদেন্সিয়ল ওফর অমনা হায়খি। মসি ষ্টেটনা রন তৌবা ন্যুজ এজেন্সী সানানা ফোঙদোকখিবনি। ওফর অসি অলেপ্পো সীটিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা রেবেলশিংবু মপুং ফানা কোয়শিন্দুনা থম্বা ঙমখিবা গভর্ণমেন্টগী এটেক অমগা চাননা ইসু তৌখিবনি।

রশিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর সর্গৈ সোইগুনা হায়রি, রশিয়া অমসুং সিরিয়ন গভর্ণমেন্টনা তেংবাংগী পোৎলমশিং অমসুং হীদাক-লাংথকশিং পুশিন্নবগী লন্বীশিং ফাৎকনি লোয়ননা খুৎলায় থাদোকপা পান্থা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিংগীদমকসু থোক্লক্লবগী লন্বী অমা পীগনি।

সিরিয়ন গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং মীচং ওইবা গ্রুপশিংনা অলেপ্পো সীটিগী রেবেলশিংগী মরু ওইবা ষ্ট্রোংহোল্ড লাকশিনখিবগা লোয়ননা ফাইটরশিংদা সরেন্দর তৌনবা তকশিনখি। অলেপ্পোগী রেবেলশিংনা পায়শিন্দুনা থল্লিবা মফমশিং মখা তানা লাঙ্গোই চন্দুনা থম্বা তারবদি অচৌবা অমাঙ-অতা থোকপগী ফীভম অমা লাক্কনি হায়না হ্যুমেনিটরিয়ন গ্রুপশিংনা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে।

শগোলশেন নুমিৎতা টেলিভাইজ কম্মেন্টশিংদা সোইগুনা হায়খি, টেররিষ্টশিংনা হোষ্টেজ ওইনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীচমশিং লোয়ননা খুৎলায় থাদোকপা পান্থা ফাইটরশিংগী ওইনা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা অলেপ্পোগী মপান্দা "অচৌবা হ্যুমেনি-টরিয়ন ওপরেসন" অমা হৌরগনি।

# চাইনা, রশিয়ানা সাউথ চাইনা সীদা জোইন্ট মিলিটরি ড্রিলশিং পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি



বৈজিং, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) ঃ

হন্দক্তা হেগতা লৈবা ইন্টর-নেসনল আর্বিট্রেসন কোর্টনা পীখিবা রুলিং অমনা সাউথ চাইনা সীদা বৈজিংনা তৌরিবা ক্লেম খুদিংমক রিজেক্ট তৌখ্রবা মতুংদা চাইনানা ষ্ট্রেটেজিক্কী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা ঈশিংগী শরুক অদুদা রশিয়ন ফোর্সশিংগা জোইন্ট এক্সর্সাইজশিং পাঙথোক্লগনি হায়না চাইনিজ মিলিটরিনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

এয়র অমসুং সী ড্রিলশিং লাক্লিবা সেপ্টেম্বরদা পাঙথোক্কনি। জোইন্ট ড্রিলশিং অদুগী পান্দমদি লৈবাক অনীগী মিলিটরিগী অনীগী মরক্তা মরী ফগৎহনবা অমসুং মেরিটাইম থ্রেটশিংদা রেস্পোন্দ তৌবগী মখোয়গী কেপাসিটি হেনগৎহনবনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন কর্নেল য়াং য়ুজুননা থাগী ওইনা পাঙথোকপা ন্যুজ ব্রীফিং অমদা হায়খি।

মিলিটরি এক্সর্সাইজশিংদু অহুমশুবা পার্টিশিংদা টার্গেট তৌদুনা পাঙথোক্কদবা নত্তে হায়না য়াংনা ফোঙদোকখি। মহাক্না এক্সর্সাইজশিংদু পাঙথোক্কদৌরিবা মফম চপ চানা ফোঙদোকখিদে। পনবা য়াবদি সাউথ চাইনা সীদা য়েৎনদবা মফম খরসু লৈরিবনি।

চাইনাগী শিপশিংনা য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুকশিংদা য়ু এস, ফিলিপিন্স অমসুং অতৈ নেসনশিংগী ভেসেলশিংবু চেলেঞ্জ তৌখ্রবনি। থা অসিগী অঙনবদা ইন্টরনেসনল ট্রাইব্যুনেলনা তাখিবা রুলিং অদু চৎনবা য়ারোই হায়না চাইনানা লৌরি।

সেন্ট্রেল এসিয়াদা ঈথিল পীনবা হোৎনবা অমসুং লমগী মতাংদা রশিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা অমগা-অমগা থাজনদবগী ফীভম লৈদুনসু এসিয়া-পেসিফিক রিজনদা অমেরিকান পাৱর লাকশিন্নীংবগী ৱাখলদা অমত্তা ওইরিবা রশিয়া অমসুং চাইনানা হন্দক চহী খরা অসিদা জোইন্ট ড্রিল কয়া পাঙথোকখ্রে।

ফিলিপিন্সনা নেদরলেন্দসকী হেগতা লৈবা ইন্টরনেসনল আর্বিট্রেসন বোদিগী মমাঙদা সাউথ চাইনা সীগী কেস পুখৎলকখিবদা চাইনানা রিজেক্ট তৌখিবদুসু রশিয়ানা শৌগৎখ্রে। সাউথ চাইনা সীদা হকথেংননা টেরটরি ক্লেম তৌদবা লৈবাকশিংনা মীচং-মীখাই নাইদনা তুমিন্না লৈগদবনি হায়না য়ু এসকী থৌওংদা রিফরেন্স পীরদুনা রশিয়ানা ফোঙদোকখ্রে। য়ু এসকী মায়কৈদগীদি চাইনাদা আর্বিট্রেসন বোদিগী রুলিং অদু ইন্ননবা তকশিনখ্রবনি।

রুলিং অদুগা ঈরোইননা, চাইনানা লাইভ ফায়ারিং এক্সর্সাইজশিং পাঙথোকখি অমসুং সাউথ চাইনা সীদা চাং নাইনা এয়র পেট্রোলশিং পাঙথোক্লগনি হায়খি। খোঙথাংশিং অদুগা লোয়ননা চাইনানা খুৎশেমগী ঈথৎশিং মখা তানা শেমগৎ-শাগৎকনি। ঈথৎশিং অদুদা মিলিটরি হীরমদা শীজিন্নবা য়াগদবা হিথাংফমশিং, এয়রষ্ট্রিপশিং অমসুং অতৈ ইনফ্রাষ্ট্রকচর য়াওগনি।

লৈবাক অসিনা মান্নবা ক্লেমশিং তৌরিবা অতৈ সাউথইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংবুসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়েৎনরিবা ফীভমদুদগী হাইদোকখিনবা তকশিনখিবা রুলিং অদুবু ক্রিটিসাইজ তৌবগী দিপ্লোমেটিক কেম্পেইন অমসু হৌখ্রে। চাইনানা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈবাক অসিগা মেম্বর ১০ লৈবা এসোসিয়েসন ওফ সাউথ এসিয়ন নেসন্সকী মরক্তা পাঙথোকখিবা মীফম লোইশিনখিবা মতমদা থোকখিবা জোইন্ট কম্যুনিকেদা জজমেন্ট অদু পন্দনবা কুপশেন শেন্নখি।

সাউথ চাইনা সীদা পুন্না গভর্ণমেন্ট তরুক্না টেরটরি ক্লেম তৌরি। য়েৎনবগী ফীভম খুদিংমক বাইলেটরেল নিগোসিয়েসন্স চথদুনা লৈখায় তাগদবনি হায়না চাইনানা হায়রি।

# বৃটিশ নুপী ১ ইমুংগী ইকায় খুম্নবা কন্নবগী মিংদা হাৎখিবগী মতাংদা থিজিন্নবা পাকিষ্টাননা ওর্দর তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) ঃ

পাকিষ্টানদা চৎখিবী বৃটিশ নুপী অমা হাৎতোক্লবা মতুংদা ইমুংগী ইকায় খুম্নবা কন্নবগী মীহাৎনি হায়না ক্লেম তৌরকখিবদগী পাকিষ্টানি ওথোরিটিশিংনা মীশি অদুগী মতাংদা অথুবা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লবা ওর্দর তৌখ্রে।

মশাগী চহী ২৮ শুরবী ইংলেন্দগী ব্রাদফোর্দতগী সামিয়া শহীদ হৌখিবা চয়োলদা পাকিষ্টানগী পঞ্জাব প্রোভিন্সতা লৈবা মহাক্কী মপামদা চৎপদা হাৎখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মহাক করম্না শিখিবনো হায়বা খঙদ্রি।

মহাক্কী মপুরোইবা মুখটার কজিমনা মহাক ইমুংগী অনিংবা অমসুং অপান্থগী মায়োক্তা লুহোংখিবগী-দমক্তা হাৎখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা শহীদকী মপা অমসুং মখুরাগী মচা অমা ফাগৎখ্রে অমসুং মখোয় হৌজিক অমগা-অমগা তায়োন্নবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগীদমক্তা ৱাহং-পাউহং চথুরি। পুলিসনা শহীদকী অহানবা নুপাসু ফাননবা থিরি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী চীফ মুজাহীদ অকবরনা হায়খি, "হৌজিক ওইথোক্লোই হায়নিংঙাই অমত্তা লৈতে। মসি ইমুংগী ইকায় খুম্নবা কনবগী মীহাৎ ওইবা য়াই, তৌইগুন্বসুং হৌজিক মহাক্কী মশাদা পাঙথোকপা মেদিকেল টেষ্টশিংগী রিপোর্টশিং ঙাইরি।

ব্রাদফোর্দ ৱেষ্টকী লেবর এম পি নজ শাহনা শহীদকী মীশিগী মতাংদা মপুং ফানা ইনভেষ্টিগেসন পাঙথোক্লনবা তকশিল্লি।

মহাক্না পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টরদা শহীদকী হকচাং লৈনুংদগী লৌথোক্লবা আপিল তৌরদুনা ৱারোল অমা ইখ্রে।

"মহাক শিখিবগী মরম খঙদ্রিফাওবা ঐহাক পোথাখিরোই, ঐখোয়না মদু মপুং ফানা থিজিনবা চঙই" হায়না এম পিদুনা হায়খি।

শহীদকী মমা মপানা হৌখিবা জুলাই ২০ দা মহাক শিবগী পাউ পীখি হায়রি।

পুলিসকী স্পোক্সপার্সন নাবিলা ঘজনফারনা হায়খি, "সমিয়াগী মমা মপানা মতমদুদা পুলিসতা মহাক্কী ময়াদগী মহী খরা থোক্লকপা উই অমসুং মহাক মহাক্কী কাদা শিদুনা লৈরমখি হায়না ফোঙদোকখি।"

পুলিসনা হৌজিক শহীদকী অহানবা নুপা ফাননবা থিরি। মহাক শহীদকী মখুরাগী মচাশিংগী মনুংদা অমনি।

কজিমনা পুলিসতা ফোঙদোকখি মদুদি, চহী অনীগী মমাঙদা শহীদনা মখুরাগী মচা খাইনদুনা মহাক্কা লুহোং-বগীদমক্তা ইমুংনা মহাকপু শাওখি।

পাকিষ্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর চৌধরি নিশা অলি খাননা অথুবা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লবা হায়জখ্রে। শহীদকী মীশি অসি পাকিষ্টানগী মশক নাইবী মিদিয়া ষ্টার কান্দীল বেলোচপু য়েংবদা নাতৈ চাদবা ফোটো কয়া ইন্টরনেটতা থাগৎপগীদমক্তা মবুংনা মখৌরী মেৎতুনা হাৎখিবা মতুং চয়োল অনী ফাদনা থোক্লক্লিবনি।

# মিলিটেন্ট ৬ তা পীখিবা শিবগী চৈরাকশিং বাংলাদেশকী কোর্ট অমনা শৌগৎখ্রে

ধাকা, জুলাই ২৮ (এজেন্সী) ঃ

কুমজা ২০০৫ দা থোকখিবা সুইসাইদ বোম্মিং অমগা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌখিবা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট তরুক্তা পীখিবা শিবগী চৈরাক শগোলশেন নুমিৎতা বাংলাদেশকী কোর্ট অমনা শৌগৎখ্রে হায়না টোপ প্রোসিক্যুটর অমনা হায়রি। উকিল অমগী ওফিসতা চথখিবা বোম্মিং এটেক অদুদা মীওই ৮ শিখিবনি।

হন্দক্তা পরিং নাইনা থোকখিবা মীহাৎ কয়াগী মতাংদা ইস্লামিষ্টশিংগী মথক্তা থিবা হুম্বা অমসুং ফা-পুনবগী থবকশিং চথনবা গভর্ণমেন্টদা প্রেসর লাকখিবদগী বাংলাদেশকী জুদিসিয়ারিনা মিলিটেন্টশিং চেন্নবা কেসশিং ফাষ্ট ট্রেক কোর্টশিংদা লোইশিনদবা য়াদবগী ফীভম লাকখি।

হায় কোর্টকী জজ অনীগী বেঞ্চ অমনা ২০০৫ গী বোম্মিং এটেক অদুগা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌখিবা মীওই তরুক্না তৌরকখিবা আপিলশিং রিজেক্ট তৌখি। বোম্মিং অদু লোকেল এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপ জামায়েটুল মুজাহিদীন বাংলাদেশ (জে এম বি)না ক্লেম তৌখিবনি।

"জে এম বিগী এক্সট্রিমিষ্ট তরুক্কী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিং অদু চিংননিংঙাই করিমত্তা লৈতনা প্রুভ তৌখিবদগী মখোয়বু হাৎননবা তৌখিবা ওর্দরশিং অদু হায় কোর্টনা শৌগৎখিবনি" হায়না দেপ্যুটি এটোর্নি জেনরেল শৈইখ এ কে এম মোনিরুজামাননা এ এফ পিদা হায়খি।

হন্দক্তা ধাকাগী দিপ্লোমেটিক জোনদা লৈবা কেফে অমদা চথখিবা তমথীরবা এটেক অমসু জে এম বিগী খুৎনি হায়না মরাল শীরিবনি। গনমেনশিংনা কেফে অদুবু পায়শিন্দুনা থমখিবগী থৌদোক অদুদা অয়াম্বনা মীরৈবাক মচাশিং ওইবা হোষ্টেজ ২০ অমসুং পুলিস ওফিসর অনী হাৎখি।

এটেক অদুগা মরী লৈননা ইস্লামিক ষ্টেটনা তৌখিবা ক্লেম বাংলাদেশ পুলিসনা রিজেক্ট তৌখ্রে। কেফে অদুদা মিলিটরিনা থোমজিন্দুনা সিজ অদু লোইশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা গ্রুপ অদুনা মীহাৎশিং অদুগী উবদা হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা ইমেজশিং থাগৎলকখি।

মোনিরুজামাননা হায়খি, কনভিক্ট তৌরবা মিলিটেন্ট তরুক অদুনা ধাকাগী হেক অৱাংদা লৈবা উকিলগী ওফিসতুদা বোম্মিং এটেক চথবদা লৌতুনখি অমসুং মতেং পাংখি। মদু মতমদুদা সেক্যুলর জুদিসিয়ারিগী মায়োক্তা জে এম বিনা চথখিবা শাথীরবা কেম্পেইন অমগী শরুক্নি।




# EMPLOYMENT NEWS

## Lok Sabha Secretariat Recruitment 2016

Lok Sabha Secretariat invites applications for the post of 64 Security Assistant Grade-II (Technical) from eligible ex-Servicemen. Apply Before 05 September 2016.
Advt. No. : 02/2016

**Job Details :**

| | |
|---|---|
| Post Name | : Security Assistant Grade-II (Technical) |
| No of Vacancy | : 64 Posts |
| Pay Scale | : Rs. 9300-34800/- |
| Grade Pay | : Rs. 4200/- |

**Eligibility Criteria for Lok Sabha Secretariat Recruitment :**
**Educational Qualification :** 10+2 in Physics, Chemistry and Mathematics from a recognized Board or Diploma in Computer Science/Computer Engineering/Electrical/Mechanical/Electronics and Communication recognized by a University/AICTE.

| | |
|---|---|
| Nationality | : Indian |
| Age Limit | : 45 years as on 05.09.2016 |
| Job Location | : Delhi |

**Selection Process :** Selection will be based on Personal Interview.

**How to Apply Lok Sabha Secretariat Vacancy :** Interested candidates may apply in Prescribed application form along with self-attested copies of necessary certificates/document, copies of certificates/ documents as proof of possessing the Technical Experience & recent passport size photographs send to The Joint Recruitment Cell Room No.521, Parliament House Annexe, New Delhi-110001 on or before 05.09.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 05.09.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://164.100.47.132/JRCell/Module/Notice/216Security%20Assistant.pdf

## Government of Goa Recruitment 2016

Department of Forest, Government of Goa invites applications for the post of 157 Forest Guard. Apply before 12 August 2016.

**Job Details :**

| | |
|---|---|
| Post Name | : Forest Guard |
| No of Vacancy | : 157 Posts |
| Pay Scale | : Rs. 4440-7440/- |
| Grade Pay | : Rs. 1400/- |

**Eligibility Criteria for Government of Goa Recruitment :**
**Educational Qualification :** Senior Secondary School or equivalent qualification. Knowledge of Konkani. Knowledge of Konkani.

| | |
|---|---|
| Nationality | : Indian |
| Age Limit | : 18 to 35 years |
| Job Location | : Goa |

**How to Apply :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of relevant documents send to The Principal Chief Conservator of Forests, Forest Department, Gomantak Maratha Samaj Building, Panaji–Goa 403001 on or before 12.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 12.08.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.forest.goa.gov.in/wp-content/uploads/2016/07/Notice.pdf
Download Application Form : http://www.forest.goa.gov.in/wp-content/uploads/2016/07/Application-format-of-Forest-Guard.pdf

## Cochin Shipyard Recruitment 2016

Cochin Shipyard Limited invites Applications for the post of 27 Fireman & Safety Assistant on contract basis. Apply before 12 August 2016.
Advt. No. : P&A/2(230)/16-Pt

**Job Details :**

| | |
|---|---|
| Post Name | : Fireman |
| No of Vacancy | : 12 Posts |
| Pay Scale | : Rs. 14000/- (Per Month) |
| Post Name | : Safety Assistant |
| No of Vacancy | : 15 Posts |
| Pay Scale | : Rs. 14500/- (Per Month) |

**Eligibility Criteria for Cochin Shipyard Recruitment :**
**Educational Qualification :**
For Fireman : Pass in SSLC and Minimum four to six months training in Fire Fighting from a State Fire Force or Public Sector Undertaking or a Government recognised course from a reputed institute OR (b) Certificate in Nuclear Biological Chemical Defence and Damage Control (NBCD), including fire fighting on-board ships from Armed Forces/Recognised Institutions.
For Safety Assistant : Pass in SSLC and One year Diploma/Certificate in Industrial Safety from a Government recognized institute or Public Sector Undertaking.

| | |
|---|---|
| Nationality | : Indian |
| Age Limit | : 30 years as on 12.08.2016 |

**Age Relaxation :**

| | |
|---|---|
| For SC/ST Candidates | : 05 years |
| For OBC Candidates | : 03 years |
| For PH Candidates | : 10 years |

**Job Location :** Kochi (Kerela)

**Application Fee :** Candidates Have to Pay Rs.100/- through Demand Draft in Favour of Cochin Shipyard Limited on any Nationalised bank payable at Kochi. No application fee for candidates belonging to Scheduled Caste (SC)/ Scheduled Tribe (ST) / Person with Disability (PWD).

**How to Apply Cochin Shipyard Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with self-attested copies of all certificates for proof of age, qualifications, mark sheets, experience, caste, disability etc, and the Demand Draft send to The Chief General Manager (HR), Cochin Shipyard Ltd, Kochi-682015 on or before 12.08.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date For Submission of Application from : 12.08.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://cochinshipyard.com/careers/Fire-and-safety-notification_21July2016.pdf
Download Application form : http://cochinshipyard.com/careers/Application%20form_final.pdf